পূক্নিং শৌশিং | বামোন অমুমচা

# পুন্সি অমসুং শিংনবা

সাইন্সকী কলেজ অমগী বাইওলোজি তন্বীবা ওঝা অমনা লেবোরেটরিদা মহাক্কী মহৈরোইশিং অদু কৌশিল্লগা মতৌ করম্না তিনখাক্তগী কুরাক ওল্লকপগে হায়বদু হকথেংননা উৎনবা থৌরাং তৌরম্মী। মহাক্না মহাক্কী মহৈরোইশিং অদুদা হায়রকই, “নখোয় য়েংউ, মফম অসিদা লৈরিবা তিনখাক্কী মহুমশিং অসিদগী ইকুই কুইদনা কুরাক মচাশিং থোরল্লগনি। মতৌ করম্না থোরকপগে হায়বদু মুন্না য়েংউ। মদুদা যুম্ফম ওইরগা রিপোর্ট অমা ইগদবনি। খূৎনা নৎত্রগা খূৎলায়না শোকলু পল্লুবা য়ারোইকো।”

ওঝা অদু লেবোরেটরিদগী থোকখ্রগা মহাক্কী কাদা চঙদুনা ফমখ্রে। লেবোরেটরি অদুদা লৈহৌবা মহৈরোইশিং অদুনা তিনখাক মহুম ময়াম অদুদগী কুরাক মচা থোরকপগী মওংশিং অদু মুন্না য়েংদুনা নৈনরম্মী। মহুমশিং অদুদগী কুরাক মচাশিং অদু থোরক্লবা হোৎনবদা য়ামনা ৱানা হোৎনবা উরম্মী। তশেংনা হায়রবদা মখোয়গী অনৌবা পুন্সি অদু ফংনবা হোৎনবদা অকনবা শিংনবা অমদি মুক্লবা মায়োক্লবা তারম্মী। মহৈরোইশিং অদুগী মরক্তগী অমদি কুরাক মচাশিং অদুনা মহুমদগী থোরক্লবা হোৎনবদা ৱারবা মওং অদুদা মীনুংশি পোক্লম্মী। মহাক্না কুরাক মচা অমা মহুম অদুদগী তপ্না শত্তোকপীরম্মী। অদুবু অৱাবদি কুরাক মচা অদু খুদক্তা শিরম্মী।

ঐখোয়গী পুন্সিদসু অদু মঙাই ঐখোয়না পুন্সিদা চাওখৎপা নুংঙাইবা ফংগে খল্লবদি অৱাবা শিংনবা মুক্লবা মায়োক্লদবা য়াদে। অৱাবা অমদি মুক্লবা হায়বসি মীথোই মীহেনবা পুন্সি অমগী তঙাইফদবা পান্থে অমনি।

অদুবু হৌজিক্কী মতমদা মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু অৱাবা মশক খঙহন্দনা মখোয়গী অপাম্বা তঙাইফদবা পূম্নমক ফংহন্দুনা য়োক্লকপনা পুন্সিদা শিংনবা মুক্লবগী মতিং অদু ফুদোকহন্দনা থম্বা য়াওদবা নত্তে। মসিনা মখোয়গী মচা মশুশিং অদুগী পুন্সি লম্বী শেম্বীবগী মহুত্তা অঙাংশিং অদুগী তুংগী পুন্সিদা মশা মরোমদোম লেপচবা ঙম্নবগী শক্তি পীবিদবা ওইনা থোক্তবসু নত্তে।

# ত্রিপুরাদা এন ই গী খ্বাইদগী চাওবা ৬ শুবা আই টি হব লিংলগনি

আগরতলা, এপ্রিল ২৫ঃ

সোফৱেয়ার টেক্নোলোজি মপান্দা থাদোকপগা লোয়ননা ই–গভর্ণান্স অমসুং নহারোলশিংদা থবক পীবগী চাং হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী ওইনা ৬ শুবা অমসুং খ্বাইদগী চাউবা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি হব অমা হাংদোকখ্রে হায়রি।

ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর মনিক সরকারনা অথোইবা মীথুং ওইদুনা সোফৱেয়ার টেক্নোলোজি পার্ক্স ওফ ইন্দিয়া (এস টি পি আই) গী ডারেক্টর জেনরেল হোংকা রাই অমসুং ত্রিপুরাগী আই টি এন্দ এডুকেসন মিনিষ্টর তপন চক্রবোর্টিনা লূপা ক্রোর ৫০ চঙনা শাখিবা আই টি হব অদু শাঙ্গাখি। আই টি হব অসিনা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী লমদা থোইদোক্লা মহৈ –মশিং তম্নুরবা মহৈরোইশিংদা থবক চঙনবগী খুদোংচাবা পীরগনি অমসুং মসিনা মীয়ামদা ই–গভর্ণান্সকী খুদোংচাবশিং অদু ফংহল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙরাং শাঙ্গাখিবা আই টি হব অসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈবা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগা মরী লৈনবা কম্পেনিশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মমিং লৈরবশিং অদুগী মীৎয়েং চিংশিনবা ঙম্লগনি অমসুং হব অসিগী খুদোংচাবা অদু লৈরগনি।

এস টি পি আই গী মখাদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকা লোয়ননা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ ইলেক্ট্রোনিক এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিদগী নোলেজ পুম্বা লৌরবা মতুং হায়রিবা আই টি হব অসি নোর্থ ইষ্টকী মনুংদা খ্বাইদগী চাউবা অমা ওইনা লিংখিবনি হায়না এস টি পি আই গী ডারেক্টর জেনরেল ওমকার রাইনা ফোঙদোকখি।



আই টি হব অসিনা ইন্দিয়াদগী সোফৱেয়ার টেক্নোলোজি অসি মপান্দা থাদোকপদা মতেং ওইরগনি। মালেমগী থাক্তা শারবা আই টি হব অসিদগী মখা তানা লাক্কদবা আই টি অমসুং আই টি গী খুত্থাংদা লিংলিবা ইন্দষ্ট্রিশিং অদুদা থবক চঙনবগী খুদোংচাবা ফুম্বা ফংহল্লগনি। আই টি অমসুং ই–গভর্ণান্সকী মতাংদা ষ্টেট অদুগী পার্ফোমেন্সকীদমক ত্রিপুরা সরকারনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতগী অচৌবা মনা অমসু ফংখ্রবনি। ত্রিপুরাদা গ্রাম পঞ্চায়তগী হৌরগা খুদোংচাবা অসি লৈখ্রবনি।

অনৌবা আই টি হব অসিদা কম্পেনিশিং অমদি ইন্টরপ্রেনরশিং অমসুং কম্পেনি কয়াদগী মখোয়গী অপাম্বা মফম পীনবা থৌরাংসু লৈরে হায়রি।

# মণিপুরী গৌরীয়া বৈষ্ণবশিংগী সোসাইটি শেমখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ২৫ঃ

মালেমদা তোমথিল ঙাল্লিবা মণিপুরী গৌরিয়া বৈষ্ণবশিংগী নীংথিরবা মশক কয়াবু য়োকখৎনবা পান্দমদা “ইন্টরনেস্নেল সোসাইটি ওব মণিপুরী গৌরিয়া বৈষ্ণবজ” কৌবা লূপ অমা লিংখৎখ্রে।

হৌখিবা এপ্রিল ২৩ নোংমাইজিং নুমিত্তা ৱাংখৈ নিংথেম পুক্রি মপান্দা লৈবা শ্রীশ্রী রামজি প্রভুগী মান্দবতা পাঙথোকখিবা মণিপুরী গৌরিয়া বৈষ্ণবশিংগী অপুনবা মীফম অমদা মালেমগী থাক্তা শেম্বা সোসাইটি অসি শেম্লে হায়না লাউথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা অমদি বিশ্ব হিন্দু পরিষদকী মণিপুর ষ্টেট প্রসিডেন্ট তখেলচংবম অমুস্না শর্ম্মা অনীনা মথং শিৎনা অথোইবা মীথুংলেন অমসুং থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদু সোসাইটি অসিগী অনৌবা প্রসিডেন্ট ওইনা অকোইজম অপাবী সিংহবু খনখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা এক্সিকুাটিভ মেম্বর ১৬ সু খনখি।

সোসাইটি অসি লিংনবগীদমক্তা শেমখিবা এডহোক কমিতিনা ২০১৫–১৬ তগী হৌনা মণিপুর অমসুং মপান মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কেম্পেন কয়া চখ্খ্রবা মতুংদা পাঙথোকখিবা অপুনবা মীফম অদুদা মণিপুরগী মফম পূম্নমক্তগী মীওই চা কয়ানা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা অসাম, ত্রিপুরা ৱেষ্ট বেঙ্গল, মেঘালয়া নচিংবা মপান লমদমশিংদগী মণিপুরী বৈষ্ণব ২৭ সু দেলিগেট ওইনা শরুক য়াখি।

## RC BOOK LOST

I have lost my R C Book of my vehicle bearing Regd. no. MN04 D 4053 (Swish) Eng. no. F4862077468 and Chasiss no. MB8CF4CBGC8128790 (Blue Colour) on the way in between Imphal and Thoubal on 22nd April, 2017.

Finders are requested to hand over the same to the undersigned.

Sd/-
**Waikhom Mandakini Devi**
W/o W. Samson
Thoubal Wangmataba Mathak Leikai, Thoubal
Ph. No. 9615783881

R.P.

## In the Court of the Sub-Deputy Collector
**Bashikhong, Imphal East**
*Mutation Case No. 124/SDC/B/IE/2017*

Smt. Lourembam (o) Radhe Devi
S/o (L) Achou Singh of Kongba Uchekon
***- Petitioners***

***-Vrs-***

Lourembam Achou Singh
S/o (L) L. Cheton Singh of Kongba Uchekon
***- O. P.***

**NOTICE**

*Bashikhong , the 25 April, 2017*

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৩৪–উচেকোন পট্টা নং ১৮৪ অনৌবা দাগ নং ১৩৯ মোট এরিয়া ০.১৬৯৫০ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পট্টাদার লৌরেম্বম অচৌ সিংহ পীঃ মৃঃ চেতোন সিংহ সাং কোংবা উচেকোন দা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইংখোল অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্ট কারী অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নমা ওখোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোঙখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্নুনা অপটি(Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুং লাকপা অপটি (Objection) অমতা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector,**
Bashikhong Imphal East

*SL/2047(b)/26*

## In the Court of the Sub-Deputy Collector
**Keirao Bitra, Imphal East**
*Ref. :- Mutation Cass No. 101/SDC/KBT of dt. 25/4/2017*

1. Md. Rameez Ahmed
   S/o Md. Rashid Ahmed of Kiyamgei Muslim Awang Leikai
2. Md. Muneer Ahmed
   S/o Md. Rashid Ahmed of -do-

***- Petitioner***

***-Verses-***

Late~- Khatun Bibi W/o (L) Md. Ahmedali of Kiyamgei
***- O.P.***

**NOTICE**

*Keirao Bitra,the 25th April2017*

Under Section 46(3) of M.L.R. & L.R. Act, 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লী মদুদি ঃ– Imphal East KBT Circle গী Village No. 50-Kiyamgei Muslim গী Patta No. 44/Angsh (অরিবা) 215 (অনৌবা) C.S. Dag No. 78 an area .43 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar Khatun Bibi অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মশুশিংনা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউ–চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরোৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. KBT অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector,**
KBT Imphal East, Manipur

***SL/2048/26***

## In the Court of the Sub-Deputy Collector
**Bashikhong, Imphal East**
*Mutation Case No. 133/SDC/B/IE/2017*

1. Moirangthem Gandhi Singh
   S/o(L) Janmenjoy Singh of Uchekon Nandeibam Leikai
2. -do- Debeshwor Singh S/o (L) -do- of -do-
3. -do- Kalakanta Singh S/o(L) -do- of -do-

***- Petitioners***

***-Vrs-***

Moirangthem Janmenjoy Singh
S/o (L) Gulamjat Singh of Uchekon Nandeibam Leikai
***- O. P.***

**NOTICE**

*Bashikhong , the ........., 2017*

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৩৭–নান্দেবম লৈকাই পট্টা নং ৩২৯ / ৫২৫ অনৌবা দাগ নং ১৯৯/ ২৫৩ মোট এরিয়া ০.৭০০০ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পট্টাদার মোইরাংথেম জনমেঞ্জয় সিংহ পীঃ মৃঃ জুলামজাৎ সিংহ সাং উচেকোন নান্দেবম লৈকাই দা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইংখোল অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্ট কারীশিং অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নমা ওখোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোঙখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্নুনা অপটি(Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুং লাকপা অপটি (Objection) অমতা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector,**
Bashikhong Imphal East

*SL/2047(a)/26*

EMPLOYMENT NEWS
## থবক্কী পাও

## BMRC Recruitment 2017 Notification 60 Various Vacancies apply at bmrc.co.in

The Bihar Public Service Commission came into existence from 1st April 1949 after its separation from the Commission for the States of Orissa and Madhya Pradesh, in accordance with sub-section (1) of section 261 of the Government of India Act, 1935, as adapted. Its constitutional status was pronounced with the promulgation of Constitution of India on 26th January, 1950. It is a Constitutional Body under Article 315 of the Constitution of India.

1171 Assistant Professor BPSC – 31st May 2017
06 Assistant Director BPSC:- 8th May 2017
1065 Assistant Engineer BPSC:- 8th May 2017
903 Mobile Veterinary Officer BPSC – 08th May 2017

BPSC recruitment 2017 apply for 1171 Assistant Professor Vacancies

Bihar Public Service Commission released new notification on their official website bpsc.bih.nic.in for the recruitment of 1171 (one thousand one hundred and seventy one) vacancies for Assistant Professor. Job seekers should 31st May 2017.

Commission Name:- Bihar Public Service Commission
Post info:- Assistant Professor
Posting:- Bihar
Advt No.:- 07-31/2017
Official website: bpsc.bih.nic.in

BPSC hiring 2017 News
Assistant Professor: 1171 Vacancies
Qualification:- Candidates who wanted to participate for BPSC Assistant Professor job should have Post Graduate Degree in relevant discipline.
Salary Structure:- Rs. 15600 – 39100/- Grade pay – 6600/- Per Month
Age Limit:- 45 years as on 01/08/2016 relaxed by 5 years for SC/ST (Male/Female), 3 years for BC/OBC (Female)

Selection Process:- BPSC will be conduct the Interview for Assistant Professor vacancy.

Fee charges:- Applicants who wanted to participate for Assistant Professor vacancy should pay the below charges through fee deposited in any branch of State Bank of India through a payment Challan.

SC/ST of Bihar State: Rs. 75/- (Rupee seventy five only)
All Others: Rs. 150/- (Rupee one hundred fifty only)
How to apply for BPSC recruitment 2017:- Eligible applicants may apply in prescribed application form along with all educational qualification certificates, self addressed envelope of size 16 x 10 with Rs. 40/- stamp & envelop superscried “Advt No” send to the Joint Secretary-cum-examination Controller, Bihar Public Service Commission 15, Jawahar Lal Nehru Marg (Baily Road), Patna – 800001 on or before 31.05.2017.

Important Dates to remember:-
Closing Date: 31.05.2017

Bihar Public service commission released new notification on their official website for the recruitment of 06 Assistant Director vacancies. Job seekers should apply before 8th May 2017.
Govt Department:- Bihar Public service commission
Job Name:- Assistant Director
Job Location:- Bihar
Last Date:- 8th May 2017
Advertisement Number:- 05-06/2017
BPSC Jobs 2017
Assistant Director:- 06 vacancies

Qualification:- Aspirants who wanted to participate for Assistant Director should have MS in general Surgery and MCH / MD in Pathology recognized from MCI with three year relevant experience.

Salary Structure:- Rs15600 – 39100/- Per Month
Age Limit:- 21 to 45 years as on 1st August 2017.

Selection Process:- Applicants Hall Ticket 2017 will be issued to conduct the Written Examination and after exams candidates will be invited for personal Interview and last step will be documents verification.

Fee charges:- Applicants who wanted to participate should pay the below charges through online mode (Debit or Credit Card / Net Banking).

General: Rs. 150/- (Rupee One hundred Fifty only)
SC/ ST: Rs 75/- (Rupee Seventy Five only)
How to apply for BPSC vacancies 2017:- Applicants may apply in prescribed application form and envelope with certificates send to the Joint secretary – cum-examination controller, Bihar public service commission, 15, Jawaharlalmarg, Bally road, Patna on or before 8th May 2017.
Important Dates to remember:-
Form Submission End Date: 8/05/2017
Corrigendum
Advertisement Number:- 05-06/2017

Bihar Public service commission released new notification on their official website for the recruitment of 1065 Assistant Engineer vacancies. Job seekers should register before 8th May 2017.

Govt Department:- Bihar Public Service Commission
Job Name:- Assistant Engineer
Job Location:- Bihar
Advertisement Number:- 02-04/2017

BPSC Jobs 2017 hiring
Assistant Engineer:- 1065 vacancies

Qualification:- Aspirants who wanted to participate for Assistant Engineer should have BE / B.Tech in Civil Engineering / Mechanical from a recognized university.

Salary Structure:- Rs 9300 – 34800/- Per Month
Age Limit:- 21 to 37 years as on 01/08/2017.

Selection Process:- Aspirants Hall Ticket 2017 will be issued to conduct the Written Examination and after exams candidates will be invited for personal Interview and last step will be documents verification.

Fee charges:- Aspirants who wanted to participate should pay the below charges through online mode (Debit or Credit Card / Net Banking).

General: Rs. 800/- (Rupee Eight hundred only)
SC/ ST: Rs 250/- (Rupee two Hundred Fifty only)
How to apply for BPSC vacancies 2017:- Applicants may fill the prescribed application form and envelope with certificates send to the Joint secretary – cum-examination controller, Bihar public service commission, 15, Jawahar lal marg, Bally road, Patna on or before 8/05/2017.

## শগোলশেম হেমন্ত

# খেংজোই চীংশাংদা

*(মণিপুর অমদি মপান লমগী পাউমী খুৎপু অমনা ২০০৬ তা চান্দেল ডিষ্ট্রিক্টকী ম্যানমারগা তাইনবা ঙমখৈ পরিংদা চৎলুবগী অৱা–নুংঙাই পাউদম লাইরিকনি। ঙসি ফাওবদা খুৎনম তরুকলক পুথোক্তুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না য়োনবা মণিপুরী লাইরিক ওইরি)*

২

## চেঙ বেগ ১৩

*ঙরাংগী মখা...*

হেদক্কাটর অদুগী অকোয়বদা বঙ্কর অমদি মীওই ৩–৪ চৎপা চনবা খোং তৌদুনা কেম্প অমা ওইবগী মওং মতৌ চপ চানা লৈরি। উজাওশিং অদুগী মতোন্দনা য়েক্নবশিং লাপ্না লাকপা উনবা ৱাট টৱারশিং শেমদুনা থম্নি। হেদ ক্কাটরগী ফিবান হেক নেৎপগা নুংথিলগী পুং ৩ চপ চানা তারে। ইউ, এন. এল. এফ. কী সেনিয়র পল্লিসিতি ওফিসার য়োইহৈবনা ৱেল–কম তৌরকই,

–তরাম্না ওকচরি, য়াম্না ৱানা য়ৌবীরক্লে।

খুৎ তিংথোক্তুনা শোক্লে, মখা তারকই,

– চিয়ারমেনসু হয়েং য়ৌরক্লগনি।

চিয়ারমেন লাক্কনি হায়বা তাবদা ঐখোয় পাউমীশিং হরাউনৈ। ওফিসার অদুনা ঐখোয়বু হান্না নীংথিনা শেমদুনা থম্লবা য়ুম অমদা পুশিনবীরে। য়ুম অদু ঈনা কুপ্পা য়াং নাইরগা শাবা য়ুমজাওনি। হিপফম অদুনা উপাক্না কাংথক নাইনা ফজনা শেম্মী। কাংথক অদুগী মথক্তা হীরম খুদিংমক্তা শীজিন্নবা য়ারবা প্লাষ্টিক থারি। প্লাষ্টিক অদুগী মথক্তা মোরেদা ফংবা কম্বল অপাবদুনা ফজনা থাই। ফৈজুপ্না অথাবা অচৌবা কম্বল অমনা মী অনী অনী পুন্না শুপমিন্নবা তারি।

য়ৌরকপগী অৱা পোত্থানবগা লোয়ননা নোংজু, নুংশা লৈখোম লৈনাং মরক্তা য়াওন্নরকপগী মোৎলবা ফি–রোলশিং অদু হোংদোক্লদুনা ঈরু–মায়থজনবা হোৎনরিঙৈদা কেম্প অদুগী লঙ্গর পান্নরিবা কাদরশিংনা কেলসিয়ম পেকেৎনা থীৎপা থক্লবদু পীরে। ষ্টোর পান্নবশিং অদুনসু ঐখোয়গী হোংদোক্লবা লোংগ্রি, টাৱেল অমসুং মোজা পুরিৎ অমমমগা পীরে। ঐগীদি খোঙচৎ অসি হেক হৌরকপদগী টুথ ব্রস য়াওরক্তবনিনা ব্রস অমা পীনবা হায়খি। হৌখিবা নুমিৎ নিনিসি উতেক ৱাতেক্কা থুমগনা য়া থিন্দুনা লাক্লবনি। ঐখোয়না শেৎলক ইল্লকপা অমোৎপা ফিরোলশিং অদু কাদরশিং অদুনা মখোয় শুজগে হায়বনি অদুবু ইরুজবসিদা শুদোক্লগে য়ারনি হায়দুনা পীখিদ্রে। খল্লুরগা নুংবু নুংশি। মখোয়গী হেক থেংনবা মীৎকুপ্তগী মখোয়না ঐখোয়গীদমক কয়াদা ৱাবীরিবা, পীজ–পীথক সেবা লাংবা, ঐখোয়গীদমক অরুম্বা পোৎয়োম পুদুনা অঙম্বা চীং কয়া লানবীরক্লবা অদুগীসু মথক্তা ঐখোয়বু শোয়দ ঙামদনবা চেকশিন্না শেন্নবীরি।

*মথং মথং ...*

# য়ুমগী লায়য়েং

***শগোলশেম ইন্দ্রমনি সিংহ***

# চাবা (চিঞ্জাক)

*ঙরাংগী মখা...*

ভীটামিন “ঈ”ঃ– ভীটামিন বি–গী থোকফম ঈ–গী থোকফমগা মান্নমন্দুনা লেবরেটোরিদা য়েংবা নত্তনা খায়দোক্লবা ৱানা থোকই। অঙাং পোক্তবা নিপা, ইম্পোটেন্স অমসুং অখুংৱী নুপী অদুগা মঙ–হাদা চৎপা পূম্নমক “ঈ” না ফহল্লি। লফোইদা ভীটামিন “ঈ” মরাং কায়না য়াওই। মহৈ মরোং, মনা মশিংদসু য়াওই।

ঈ শেংদোক্লবা চাবা চীঞ্জাক– এলিমিনেটিভ ডাইট–করিগুম্বা মখলগী লায়নানা কুমন্নায়না ওইনা লৈরবদি মদুবু ফননবা লায়েং অমা লৌখৎত্রিঙৈদা ঈ শেংদোকপগী থবক হান্না পায়খৎকদবনি। এসিডনা থল্লবা হকচাং অদুগী ঈগী কেমিকেল অদু চুমথোক্তু না লায়েংবদা হঞ্জিন–হঞ্জিন লায়না অদু নাদুনতা লৈগনি নৎত্রগা লায়না লাইশক হোংল হোংলদুনা নাদুনা লৈগনি। অদুনা ,সিডনা থনবা ঈদু আলকালি ওইহন্নবা হৈ–অমসুং মনা–মশিংদা থমগদবনি। ঈগী কেমিকেল চুম্না থমগে হায়রবদি হৈ, মনা–মশিং, শঙ্গোমনচিংবা আলকালি পোকপা অসি চাদা ৮০ অদুগা চাক, তল, ঙা–শা, য়েরুম, ঘী–থাউ এসিড ঙাক্তা পোকপা পোৎশক অসিনা চাদা ২০ দা চাগদবনি। মদু ঐখোয়না চাবগী মহুত্তা এসিড পোকপা পোৎনা চাদা ৮০ চারগা আলকালি পোকপা চিঞ্জাক্না চাদা ২০ দা চারে। অদুনা ডাইরিয়া ঈতোন, লাইহৌ, লোক, পাৎ–পোম্বা, ফুরিনচিংবা পূম্নমক অসি অনাবা নত্তে। এসিড ময়াম ঈদগী তাম্থোরকপগী শকফম্নি। অদুনা এসিড ময়াম অদু হকচাংদগী তাম্থোক্লবা মখাদা পীজরিবা রুটিন অসি মতুং ইন্না চায়োল ১–২ লৈবীয়ু। থা খরগী মতুংদা অমুক তৌবীয়ু

অয়ুক্তা– কমলা, কীহোম, লফোই, অৱাথবী, কিসমিস (কিসমিসতি পুং ২৮–৪৮ ঈশিংদা তীংলগা) খরা খরা চাবা।

পুং ৯.৩০ – ১১ তাবদা হঙ্গাম, কোবি, য়েন্দেম, হৈবী মনা, হৱাই মতোন, চেংক্রুক, এরু–কৈরুম, মোনশাওবী, সেলেরী, হৱাই মনা, হৱাই মকুচাবী অনৌবা, গাজর মনা, শালগোম মনা, কোম্প্রেক, কলমনিনচিংবা থোংবা, চম্ফুৎ, হিংনা চাবা, চারা অসিদা থবী, খামেনশিনবা, তিলহৌ অহিংবা শোইরগা সলাদ ওইনা চাবা।

*মথং মথং ...*